কোওপরেটিভ ৱীককী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া কোওপরেটিভ ৱীক্কী শরুক অমা ওইনা ৱিমেন কোওপরেটিভ ৱিভিং সোসাইটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দা ৱাহেংবম লৈকায় লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা কোওপরেটিভ ৱীক্কী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি এল ওংবী বিনানা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউনা বজারদা লৈবা সোসাইটি অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা বিনানা হায়খি, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগা খুৎশম্নরগা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াবীয়ু। কোওপরেটিভকা মরী লৈনবা মীওইশিংনসু শরুক য়াবীয়ু। হন্দক চহীগী থীমদি রোল ওফ কোওপরেটিভ হায়বসিনি। থা অসিগী ১৯ দা কোওপরেটিভ ফোর য়ুথ ৱিমেন এন্দ ৱিকর সেক্সন হায়বা থীমদা থৌরম পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। কোওপরেটিভ ঈহৌ অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

কোকোমিগী খোঙজং শৌগৎকনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা শৌগৎতুনা লাক্লি। মখা তানসু শৌগৎখিগনি হায়না কাউন্সীল অসিগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসি লৈমনা ফোঙদোকখ্রে।

শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাউমীশিংগা উনবদা পুর্নিমাসি লৈমনা হায়খি, মণিপুরদা তংদুলৈতাদবা ফীভম অমা লৈরি। পিছ টোক্কী মতাংদা খঙহনবীয়ু হায়বনি। লৈঙাক কায়হল্লোই হায়বসিদা মীয়াম্না থাজবা ৱাৎপা মরম্না খোঙজং চঙশিল্লিবনি। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংসু মরৈবাক নুংশিজবা অমনি। মরৈবাক নীংবগী লীলা পুথোক্তুনা শান্নরিবনি। তং-তাবা অমা লৈঙাক্না পীদ্রিবফাওবা খোঙজং কয়া কোকোমিনা চঙশিল্লক্লদৌরিবা অসিদা শৌগৎকনি। মণিপুর কায়বা য়াবা মতম য়ৌরকপদা তুমীন্না লৈগদবা নত্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ ৱাই নিলাচন্দ্র, মেম্বর এল তোম্বা, ঐচ বুধি অমদি দেবানসু শরুক য়াখি।

তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : লংমাইচীং (নোংমাইচীং) দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর) গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঞ্জোর খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মতেং পাংলকখিবশিংবু লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপগা লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুন্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা পীনবা ওইরসনু। শাগৎলিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবগীদমক কংলৈ য়ুমথোং অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরমগী তেংবাং পীবীনবা নীংশিংলি। লুপা লিশিং ১ দগী তাদনা তেংবাংলকপা মীওইশিংগী মিং, লৈফম মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হক্তুনা তুং কোয়না নীংশিংনবা থমগনি। অকু প্পা মরোল সনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱান ষ্টোপ সেন্টর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : কামজোংদা ৱান ষ্টোপ সেন্টর অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী কেঙু জুরিংলানা শঙ্গাখ্রে। সেন্টর অসি সী ঐচ সী কামজোংগী কমপ্লেক্সতা মতম খরগী ওইনা লৈগনি। ৱান ষ্টোপ সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দি সী কেঙু জুরিংলানা হায়খি, নুপীশিংগী সেল্টর পীনবগীদমক অসিগুম্বা থৌরাং অসি লৌখৎপা তাই। কনাগুম্বা নুপীশিংনা অৱাবা ফীভম থেংনরকপা মতমদা নুমীৎ মঙানি ফাওবা অসিগুম্বা সেন্টর অসিদা সেল্টর লৌবা য়াই। মখোয়দা হিদাক-লাংথক, লিগেলগী মতেং অমদি কাউন্সেল্লিংনচিংবসু পীগদবনি। লেম্না চানবা অমদি লৈফম পীগদবনি হায়খি। থৌরমদুদা দি পি ওসু শরুক য়াখি।

মহৈরোয়শিংদা পোৎলুম পুহনবগী থৌওং স্কুল চলাইরিবশিংনা চথবা য়ারোই : দেসাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী মখাদা লৈবা স্কুল খরনা মানা মানা পাম্বা মওংদা স্কুল চলাইদুনা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংদা অচৌবা পোৎলুম পুহনবগী থৌওং চথবা য়ারোই হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফমণিপুর (দেসাম) গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ফিলেম বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বোসেমগা মরী লৈনদবা মপান লমগী টেক্সবুক কয়া অহেনবা সবজেক্ট ওইনা তমহন্দুনা তাকপী তম্বীবগী থৌওং মখা তানা চথবা য়ারোই। বোসেমগী সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা শেম্বা সিলেবস কম্মিটিনা কয়ারক হন্না তানরবা মতুংদা শেম্বা সিলেবসকী ৱাংমদা মপান লমগী ফার্মশিংগা মান্নরগা পার্সেন্টেজ চাউনা লৌদুনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং হাপচিনবগী থৌওং চথবা য়ারোই। মপান লমগী ফার্মশিংগী বুক সেলরশিংনা লমদমসিদা স্কুল চলাইরিবা ওথোরিটিশিংগা মান্নরগা অহেনবা সবজেক্ট কয়া হাপচিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা নমদুনা য়োনশিনবা, শেন্দোং তানবগী থৌওং চথদুনা লাক্লি। মসিনা মমা-মপাশিংদা শেল-থুমগী অচৌবা পোৎলুম পীবতা নত্তনা মহৈরোয়শিংদসু সবজেক্ট মশিং য়াম্বনা পুবা থাংবা ঙমদবগী পোৎলুম ওইহল্লি।

থৌওং অসি বোসেমনা মমাঙথক্তগী য়েংশিনগনি হায়না কয়ারক হন্না হায়জরবসু বোসেমগী মখাদা লৈবা স্কুল খরদি ঙসি ফাওবা কুশি তৌদুনা লৈরি। বোসেমগী ওইনা য়াদে হায়বগী অথিংবা লৈনা লৈনা করিসু তৌবা ঙমদ্রি। বোসেমগী ওথোরিটিনা প্রাইভেট স্কুলশিংগা মান্নরগা শেল তাল্লব্রা হায়বগী চিংনবা মীয়ামদা ফাওহল্লে। মহৈরোয়শিংদা কা হেন্না পোৎলুম পুহনবা অমদি মমা-মপাশিংদা পীরিবা চৈথেং অসি খঙদুনা মরী লৈনবশিংনা চানবা থবক লৌখৎপীয়ু। স্কুল চলাইরিবশিংনা বোসেমনা মশক খঙবা টেক্সবুক তাকপী তম্বীগদবনি। অহেনবা টেক্সবুকশিং হাপচিন্দুনা তম্বীবগী থৌওং লেপকদবনি। মহৈরোয়শিংদা টেক্সবুক য়োন্দুনা শেল তানবগী থৌওং মখা তানা থেংনরবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক স্কুল ওথোরিটি অমদি বোসেমনা পুগদবনি হায়রি।

চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : সেকমাইজিনদা মৈতৈশিং, মৈতৈ পাঙলশিংগী অপূনবা মীওই কয়ানা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না চেকশিন মীফম অমা ঙসি সেকমাইজিন থোং মনাক্তা ফমখ্রে। ওল সেকমাইজিন অপূনবা মৈরা পায়বী, ওল সেকমাইজিন ক্লব, এস এস সী, এস পি সী, য়ু এস সী, য়ু জি সী, এস ঈ টি দি এ, ঐচ দি সী, এস এন সী, ঈ এস সী, জমাইতুল উলমা, এন ৱাই দি এ, ঐচ এম ৱাই সী, ঐচ এম এস ৱাই এ কে ওনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা পিছ টোক্কী ৱারীনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা ৱাফমশিং থমখি। মীফম অদুদা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর খুরাইজম অথৌবা, কম্যুনিটি কোওর্দিনেটর অব্দুলা ফুন্দ্রেময়ুমসু ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখি।

স্কাই হোস্পিটালদা ফ্রি ওপন হার্ট সর্জরি কেম্প পাঙথোক্তুনা অঙাং ৯ লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : স্কাই হোস্পিটালদা হিলিং লিট্টল হার্ট য়ু কেগা হোস্পিটাল অসিগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ১০ দগী ১৬ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্পা ফ্রি ওপন হার্ট সর্জরি কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা অঙাং ৯ লোম লেম্না হার্ট সর্জরি তৌদুনা লায়েংখ্রে হায়না স্কাই হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

স্কাই হোস্পিটালদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডা. শ্যামকিশ্বর লাইশ্রমনা হায়খি, হিলিং লিট্টল হার্ট য়ু কেগা স্কাই হোস্পিটালগা খুৎশম্নরগা অসিগুম্বা ফ্রি ওপন হার্ট সর্জরি কেম্প অসি পাঙথোক্তুনা অঙাং কয়া লেম্না হার্ট সর্জরি তৌবনি। কেম্প অসিদা পুন্না অঙাং ৯ লোম লেম্না হার্ট সর্জরি তৌদুনা লায়েংখি। অঙাংশিং অসিগী মনুংদা তরুকনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগীনি। অহুম্না তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগীনি। মমাঙ চহীদসু অসিগুম্বা ওপন ফ্রি হার্ট সর্জরি কেম্প অসি পাঙথোকপা লৈখ্রে। কেম্প অদুদসু অঙাং কয়া লায়েংখি। হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা কেম্পতা লায়েংখিবা অঙাং কয়া হৌজিক মশা ফদুনা নোর্মেল ওইনা লৈরি।

থা অসিগী ১০ দগী ১৬ ফাওবা চথখিবা কেম্প অদুদা হিলিং লিট্টর হার্ট য়ু কেগী ডোক্তরশিং অমদি স্কাই হোস্পিটালগী ডোক্তরশিংনা সর্জরি অমসুং লায়েংবগী থবক চথখিবনি। থা ৬ তগী চহী ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অসি লেম্না ওপন হার্ট সর্জরি তৌদুনা লায়েংবনি। পোল্লকপদগী হার্ট হোবা অমদি হার্টকা মরী লৈনবা অনাবা কয়াগা লোয়ননা পোল্লকপা অঙাং কয়া নীংথিনা লায়েংবনি। তুংদসু অসিগুম্বা ওপন হার্ট সর্জরি কেম্প অসি পাঙথোকখিগনি। অসিগুম্বা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু। ষ্টেটসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী অঙাং কয়া অসিগুম্বা কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা লায়েংখিবা কয়া য়াওরি। মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু চেকশিন্না য়েংশিনবীয়ু। হার্টকা মরী লৈনবা অনাবা লৈবশিং মতম চানা লায়েংহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অঙাংশিংবু মশা-মঔ ফনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা হিলিং লিট্টর হার্ট য়ু কেগী ডোক্তরশিংসু শরুক য়াখি। হিলিং লিট্টল হার্টকী ডা. তিমনা ফোঙদোকখিবদা, স্কাই হোস্পিটালদা অসিগুম্বা লেম্না ওপন হার্ট সর্জরি তৌবগী কেম্প পাঙথোকপসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অঙাংশিংবু নীংথিনা লায়েংদুনা মশা ফনা লৈহনবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাটচএপ গ্রুপনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : খোংজোম লাইবুংদা লৈবা থোকচোম মেঞ্জোরগী ইমুংদা মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংলকপা লেপত্রি। গ্রেট কংলৈপাক ৱাটচএপ গ্রুপনসু মতেং পাংখ্রে হায়রি।

গ্রেট কংলৈপাক ৱাটচএপ গ্রুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, গ্রেট কংলৈপাক ৱাটচএপ অমদি ফেসবুক গ্রুপকী মেম্বরশিংনা খায়গৎনদুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৪ অমদি ফিরোলশিং তেংবাংখ্রে। গ্রেট কংলৈপাক গ্রুপ লমদম অসিদা তোল্ল-তারবা, ফীভম চাদ্রবা ইমুংশিংদা মতেং পাংলক্লিবা গ্রুপনি। গ্রুপ অসিগী এদমিন ওইরিবা গুলিত সাপমনা ফোঙদোকখিবদা মখা তানা তোল্ল-তারবা মীওইশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংলক্কনি হায়খি।

নোর্থইষ্ট ইনভেষ্টর মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ষ্টোক কি বাট সঞ্জিব ভাসিন কে সাট হায়না মিংথোনবা নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর মীট অমা ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

এসিয়র এসেট এদভাইজরি প্রাইভেট লিমিটেদ (এ এ এ) না আই আই এফ এল অমদি ঐচ দি এফ সী এ এম সীগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ইনভেষ্টর মীট অদুদা আই আই এফ এলগী দিরেক্টর সঞ্জিব বাসিমসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা এসিয়র এসেট এদভাইজরি প্রাইভেট লিমিটেদকী সেলস এন্দ মার্কেটিং হেদ রুহেনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফাইনান্সিয়ল লিটরেসিগা মরী লৈননা এৱ্যোর্নেস কয়া কম্পেনি অসিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ষ্টোক মার্কেট ট্রেনিং, মুচ্যুএল ফন্দ, হেল্ঠ ইন্স্যুরেন্স, জেনরেল ইন্স্যুরেন্স, লাইফ ইন্স্যুরেন্স, জি এস টিনচিংবগা মরী লৈনবা হিরমদা এসিয়র এসেট এদভাইজরি প্রাইভেট লিমিটেদনা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ইনভেষ্টর মীট অসিদা মফম কয়াদগী ইনভেষ্টরশিংসু শরুক য়ারি। ফাইনান্সিয়ল এদ্যুকেসন হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইনভেষ্টমেন্ট অমদি সেভিংগী মতাংদসু নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা অখঙ-অহে কয়ানা ৱা ঙাংগদৌরি। মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এসিয়র এসেট এদভাইজরি প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট এন্দ সী ঈ ও ওইনাম পতেলসু শরুক য়াখি।

প্রেস এসোসিএসনগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর প্রেস এসোসিএসনগী ৪৯ লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খি, অহোংবা হায়বসি থিংবা ঙম্বা নত্তে। ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদসু হোংলে। এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অহোংবা হৌজিক ফাওবা লৈত্রি। হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসি শেমদোকপা তঙাইফদে। ফিনলেন্দদদি নোংমদা অঙাংশিংদা লাইরিক তম্বীবসি শুপ্নগী পুং ৩ খক্তমক তম্মী। হৌজিক হৌরক্লিবা অঙাংশিং লাইফ স্কিল অসি অসুক্কী মতিক ৱাৎলি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু লাইরিক্তা তৌহন্নবা হোৎনৈ। অঙাংশিংদা শীজিন্নরোইদবা কয়া তম্বীদুনা লৈরি। চাউখৎপা লৈবাকশিংদদি কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিজদা হেন্না মীৎয়েং থম্মী। অসিগুম্বা কয়া অসি হোংদোকপা তঙাইফদ্রে। অঙাংশিংনা থকশি-খাশি, থৌগল্লোন খঙবা মথৌ তাই। মমা-মপানা তৌরিবা মতৌ অদু অঙাংশিংনা ইনবনি। অঙাংশিংবু পীক্লিঙৈ মতমদগী মমা-মপানা নীংথিনা তম্বীবা মথৌ তাই। লগাও খাওবদা পুলিসনা থিংবগী মহুৎতা মীয়াম্না থিংবনা হেন্না ফগনি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা শোয়রবদি তুংগী খুন্নাই করম্না লাক্কনি হায়বসি খন্নবা মথৌ তাই। লাইনিং-লাইশোনসু তম্বীবা তাই। মসিনা অচুম্বা লম্বী চৎপদা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো, বোসেমগী জোইন্ট সেক্রেটরি ডা. এস মঙ্গিজাও, সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেন, মণিপুর প্রেস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সেঞ্জম সুরজিৎনা মথংশিংৎনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এসোসিএসন অসিগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু থৌরম অসিদা শরুক য়াখি হায়রি।

ফিশাবী কয়া গুৱাহাতিদা এক্সপোজর ভিজিট থারগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ : চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফিশাবী ২০ লোম গুৱাহাতিদা এক্সপোজর ভিজিট থারগনি হায়না চনুরা মাইক্রোফিনগী সী ঈ ও, পি কে খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সপোজর ভিজিট অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংলদুনা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী সী ঈ ও, পি কে খুমননা হায়খি, চনুরা মাইক্রোফিনগী মায়কৈদগী লমদমসিগী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং য়োকখৎনবা অমদি মীওই কয়াবু মশানা মশাবু থবক পীজনবগী লমদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। চনুরা মাইক্রোফিনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ফাইনান্সিয়ল এদ্যুকেসন পীবা, স্কিল ট্রেনিং পীবা কয়াসু চথে। লমদমসিগী ফিশাবীশিংবু অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নহনবগা লোয়ননা মতমগা চুনবা মওংদা দিজাইন কয়া পুথোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফিশাবী ২০ লোম গুৱাহাতিদা লৈবা ৱিভর সর্ভিস সেন্টরদা এক্সপোজর ভিজিট থারগনি। দিজাইন অমদি টেক্নোলোজি শীজিন্নরিবশিং য়েংহল্লুগনি। থা অসিগী ২০ দগী ২৩ ফাওবা এক্সপোজর ভিজিট অসি চৎকদবনি। চনুরা মাইক্রোফিনগী মায়কৈদগী লমদমসিগী নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংবু শেমগৎপা অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবশিংবু শৌগৎনবা হোৎনবগী মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চনুরা মাইক্রোফিন মণিপুরগী চ্যেরপার্সন এন হরিমতি, এগজিক্যুটিভ মেম্বর বিমোলাতা, পি য়াইমা, পি ঐচ লোকেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

'লমশাং নগর পঞ্চায়টকী কাউন্সীল্লর কয়া পুলিসনা থিরিবসি তোকপীয়ু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : লমশাং নগর পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১গী কাউন্সীল্লর য়ুম্নাম নিলামনিবু কিদনেপ তৌবগী মওংদা কনাগুম্বা খরনা পুলিসতা লান্না পাউ পীশিনবদগী নগর পঞ্চায়ট অসিগী কোংগ্রেস কাউন্সীল্লর কয়াগী য়ুমদা পুলিসনা লাক্তুনা কাউন্সীল্লরশিং থিবগী থবক চথরিবা অসি তোকপীয়ু হায়না কাউন্সীল্লর এল অশোকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা এল অশোকুমারনা হায়খি, লমশাং নগর পঞ্চায়টকী ইলেক্সন তৌনবগীদমক নুমীৎ লেপ্তুনা পাঙথোক্লবা মরী লৈনবশিংনা ওর্দর থোকপা লৈখ্রে। অদুবু থা অসিগী ১৩ দা এস দি ও লাক্তুবদগী মীখলগা মরী লৈনবা চে-চাং পীশিনবগী থবক য়াখিদ্রে। কোংগ্রেসকী কাউন্সীল্লরশিংনা ঙাইবদা এস দি ও ছুটি লৌখ্রে হায়না হায়রকপা লৈখি। লমশাং নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপার্সন/ভাইস চ্যেরপার্সনগী হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা ইলেক্সন তৌগদবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চেসু থোকপা লৈখ্রবনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা পুলিসতা ৱাই নিলামনি কোংগ্রেসকী কাউন্সীল্লর অসিবু কিদনেপ তৌবগী মওংদা লান্না পাউ পীশিনবদগী পুলিসনা কোংগ্রেসকী কাউন্সীল্লর খরগী য়ুমদা থিবগী থবক চথরকপসি তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কাউন্সীল্লর ৱাই নিলামনিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক কনাগুম্বা অমত্তনা কিদনেপ তৌবা লৈতে। য়ুমদা থবক তৌদুনা অদুম্মক লৈ। ঙরাংসু নাওরেমথোংদা চা থকই। য়ুমদসু অদুম থবক তৌদুনা লৈ। কিদনেপ তৌবগী মওংদা কনাগুম্বশিংনা পাউ লান্না পীশিনবা মাল্লি। হৌজিক লমশাং নগর পঞ্চায়টকী ওইনা কাউন্সীল্লর ৯ লৈবগী মনুংদা কোংগ্রেসকী ৫, বি জে পিগী ৪ লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস কাউন্সীল্লরশিংদা থি-হুম্বগী থবকসি তৌবীগনু। দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা লমশাং নগর পঞ্চায়টকী মরী লৈনবা ইলেক্সন তৌফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌবালদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ১৬(ঐচ এন এস): 'রি ওরিয়েন্টেসন ত্রেনিং এন্দ এদ্যুকেসন থ্রু সক্সেস ষ্টোরিস' হায়বা থিম অসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদু ওরিয়েন্টেল ৱুমেনস কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা এন সী য়ু আই কোওপরেটিভ এদ্যুকেসন ফিল্ড প্রোজেক্ট থৌবাল অনিনা পূন্না খুৎশম্নরগা শিনবনি হায়রি।

সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোওপরেটিভ সোসাইটিসকী রেজিষ্ট্রার ওইরিবা রোবার্ট ক্ষেত্রিময়ুম আই এ এসনা চিফ গেষ্ট, এন সী য়ু আই প্রোজেক্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি মণিপুরগী চ্যেরপার্সনসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন ইম্ফালগী ভাইস প্রসিদেন্ট (ভেল্লি) ওইরিবা জীনা পোৎশংবমনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রর (এদমিনিষ্ট্রেসন) ও জিতেন দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিভ ওফিসর থৌবাল খোঙনেম অমদি এন সী য়ু আই, সী ই এফ পি থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসর টিঐচ পাহারিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এন সী য়ু আই ন্যু দিল্লিগী শেঙ্গুং মখাদা তোঙান-তোঙানবা সেসন অনি থোক্লা খায়দোক্লগা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না ন্যু দিল্লিগী এন সী সী ইনা পাঙথোকখিবা কোওপরেটিভ মেনেজমেন্টগী দিপ্লোমা ত্রিনিংদা শরুক য়াখিবা ত্রেনীশিংদা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা আই এফ এফ সী ওগী ফর্টিলাইজরসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি। সেমিনার অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা এন সী য়ু আই, পি সী সী মণিপুরগী চ্যের্মেন জীনা পোৎশংবমনা মোদেরেটর ওইরগা অখঙ-অহৈশিংনা চে পাথোক্তুনা মীয়াম পূন্না খন্না-নৈনখি।

ককচিংদা থক্লবা ঈশিং পীখিরোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ককচিং টাউনদা ককচিং ৱাটর সপ্লায়দগী ঈশিং পীনবগীদমক ঈশিং চিংখৎফম ওইরিবা সেংমাই তুরেলদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা ঙা ফানবগীদমক হূ হৈথরকপনা নুমীৎ ৫ নি মীয়ামদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না ককচিং ৱাটর সপ্লায় অমদি সেনিটেসন দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে দব্লিয়ু এস এস দি সী) অমদি পব্লিক হেল্ঠ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি), ককচিং দিভিজনগী মায়কৈদগী মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং ৱাটর সপ্লাই এন্দ সেনিটেসন দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ জিতেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ককচিং ৱাটর সপ্লায়গী ঈশিং লৌফম ওইরিবা সেংমাই তুরেলদা হূ থাদরকপদগী ঈশিং চিংখৎপগী থবক খুদক্তগী লেপ্পনি। মসিনা মরম ওইরগা কঞ্জুমরশিংদা ঈশিং পীবা অসি নুমীৎ ৫নি লেপকদৌরিবনি। মসিগীদমক কঞ্জুমরশিংনা ৱারৌবীদনবসু খঙহল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্না সেংমাই তুরেলদা ঈশিং চাবা, থকপনচিংবসু নুমীৎ ৪/৫ তৌবীগনু হায়নসু মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা, ককচিং, কৈরক, ৱাবগাই অমদি হিয়াংলম, সেকমাইজিন ফাওবদা মীয়াম্না য়াম্ন মক মরুওইনা শীজিন্নরিবা সেংমাই তুরেলগী ঙা চারা অমগীদমক হূ হৈথবগী থবক অসি তৌবীগনু। মীওই কয়ানা থক্ল-চানবগীদমক য়াম্ন মরুওইখ্রবা তুরেলনি। মরী লৈনবশিংনসু মীয়াম্না শীজিন্নরিবা তুরেলদা হূ হৈথবগী থবক চথরিবশিং থিদোক্তুনা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

রিসাইকল তৌনবা প্লাষ্টিকশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : শীজিন্নবা য়াদ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম কয়া রিসাইকল তৌনবগীদমক রিসাইকল য়ুনিটকী থৌদাং পুরিবা দেবচান্দ ইন্দষ্ট্রিদা ইম্ফাল কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. আর কে ববিতানা খুৎশিন্নখ্রে।

ফত্তবা প্লাষ্টিকশিং খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ডা. ববিতানা হায়খি, শীজিন্নবা য়াদ্রবা ফৎতবা প্লাষ্টিকশিং খোমজিন্দুনা থম্বনি। মফম চানা হুনে দাক্তবদি মীওইবগী হকচাংদা ফত্তবা কয়া লাকহল্লি। পৈশিন্দুনা থম্লগা মফম চানা শীজিন্নবা য়াবা মওংদা রিসাইকল তৌদুনা পুথোকহন্নবা এৱ্যোর্নেস পীবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ঙসি শীন্নরিবা অসি শীজিন্নবা য়াদ্রবা প্লাষ্টিক কেজি ৫০ হেনবনি। য়ুম-য়ুমদা লৈরিবা প্লাষ্টিকশিং মফম চাদনা হুন্দোকপগী মহুৎতা পৈশিন্দুনা থম্বীয়ু। কেজি ৩০ হেক ফাবগা রিসাইকল তৌনবা শীন্নবীয়ু। মসিনা মীওইবগী হকচাংদা শোক্কদবদগী কনবা ঙমগনি। ফত্তবা প্লাষ্টিকশিং মীওইবনা শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা পুথোকপদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। ফত্তবা প্লাষ্টিক মফম চাদনা হুন্দোকপনা ইনভাইরনমেন্টতা শোকহল্লক্লিবা কয়া অসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মফম চানা পুনশিন্দুনা থম্লগা রিসাইকল তৌনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm

TOPPERS of 2019

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpokngamba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

1ST POSITION 2019

It is an ecstatic moment for me on securing first position in the HSLC - Examination, 2019. Angels' coaching centre has helped me a lot in the preparation of this exam. Indeed, it is one of the best coaching centres in Imphal. Go to Angels and get success in life.
- Bhumika Sh

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
26/12/19	English
28/12/19	S. Science
31/12/19	Maths
03/01/20	Science
05/01/20	Adl. Sub.
07/01/20	MIL

Last date of Form Submission 17/12/19

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.

PMKVY
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
FREE
4th Phase
3 months certificate course in Self Employed Tailor
Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY)
in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.
Admissions Open
Highlight of the Course
- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Incentive in every successfull candidates.
- Many more offers.
- Last day of form submission25/11/2019

Class Commencing on last week of November.
More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre (TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email. shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com
Limited seat capacity, Registration Open.
HL-P/5297/15-24

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.